**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal
Volume - 8, Issue - 10, October - 2025
ISSN(o): 2581-6241
Impact Factor: 9.134

DOIs:10.2018/SS/202510001 --:-- Research Paper / Article / Review

# চৈথারোল কুম্বাবাঃ মণিপুরদা শামু পুসিল্লকপা অমদি ফাবগী থৌদোকসিং

**L. Nipamacha Singh**
Assistant Professor, Department of Manipuri, Cachar College, Silchar Assam
Email ID: *nipamachasinghlaishram2953@gmail.com*

**Abstract:** মালেমসিদা খুন্দা-লৈতারিবা মীওই ফুরুপ কয়ানা মাগী মাগী ফুরুপতুগী মরমদা ইবা ৱারোল কয়া থম্নৈ। ইদুনা থম্লিবা ৱারোলসিং অদু তোঙান তোঙানবা হীরমসিংগী মতাংদা ওইবা য়াই। 'চৈথারোল কুম্বাবা' মণিপুরী/মীতৈ ইপা-ইপুসিংনা থম্বীরম্বা মমল য়াম্লবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি রোয়েল ক্রোনিকল অমনি হায়না সকখংনৈ। চহী লিসাং সিংনা চৎথরক্লিবা মণিপুরগী পুৱারীদা পানখিবা নিংথৌসিংনা করম করম্বা চহীদা নিংথৌ খুবম কাখিবগে, কয়া কুইনা পাল্লম্বগে, করম করম্বা মফমসিংদা লান্দারুবগে, ঙমলকপগে, লানফা ওইনা কয়া য়াম্না ফারকপগে, মণিপুরদা করম করম্বা মফমদগী মীওইসিং লাকখিবগে, চৎখিবগে হায়বনচিংবা থোকখিবা থৌদোকসিং ইসিন্দুনা 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরম্মী। লাইরিক অসিদা রেকোর্দ তৌরিবসি খৃঃ ৩৩ দা ফম্বাল কাখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবদগী হৌরগা খৃঃ ১৯৪১ দগী খৃঃ ১৯৫৫ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মহারাজ বোধচন্দ্রসিংহগী হাকথক ফাওবনি। ক্রোনিকল অসিদা কৈ ফাবগী, কৈনা চীক্তুনা মীসি-মীনা থোকপগী, শজি ফাবগী, শঙাই ফাবগী লোয়ননা মণিপুরদা শামু পুসিল্লকপগী, শামু তানবা চৎপগী, শামু ফাবগী, শামুনা সোক্তুনা মীসি-মীনা থোকখিবগী থৌদোক কয়াগী মরমদসু রেকোর্দ তৌরম্বা থেংনৈ। **চৈথারোল কুম্বাবাঃ মণিপুরদা শামু পুসিল্লকপা অমদি ফাবগী থৌদোকসিং** হায়বা পেপর অসিদা নিংথৌ কনা কনাগী হাকথক্তা মণিপুরদা শামু পুসিল্লকখিবগে, করম করম্বা মফমদগী শামুসিং ফারুবগে অমদি কয়া য়াম্না ফারকপগে হায়বনচিংবগী মরমদা থম্নবা হোৎনরি।

**Key Words:** চৈথারোল কুম্বাবা, শামু, ফাবা, তখেন, নিংথেম, তানবা

## 1. INTRODUCTION:

'চৈথারোল কুম্বাবা' মণিপুরগী মমল নাইদ্রবা মরলনি। লাইরিক অসিগী মতাংদা এলাংবম্ নীলকান্তনা অসুম্না হায়রম্মী- "... মপুংদি নিংথৌগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংনা ওইরবসু লৈবাক্কী শীংথানবা য়াবা থৌদোক কয়াসু পাউ পীবদং ওইনা ইশিন্দুনা থনমই। অদুবু লাইরিক অসিগী মতেংনা হৌখ্রবা মতমগী শরূক খরদি ঙান্থোকহল্লি হায়বমক য়াই"।[১] য়াম্নমক মরিক চুম্লবা ৱাফম্নি হায়বদা হায়মনবা থোক্তে। মণিপুরদা পাল্লম্বা নিংথৌসিংনা করম করম্বা মতমদা ফম্বাল কাখিবগে, কয়া কুইনা পাল্লম্বগে হায়বনচিংবগী মরমদা ময়েক সেংনা রেকোর্দ তৌরি। সম্না হায়রবদা মণিপুরী কলচরগী ওইবা মচাক থন্না য়াওরবা মখলগী লাইরিক্নি। পুম্নমকসিগী মথক্তা নিংথৌ নিংথৌসিংগী হাকথক্তা তোঙান তোঙানবা সাসিং ফাবগী ৱাফম কয়ামসু রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরি - কৈ ফাবগী, শজি ফাবগী, শঙাই ফাবগী, য়োং ফাবগী, শাজন ফাবগী লোয়ননা শামুসিং ফাবগী ৱাফম কয়া। অদুবু হৌজিক্কী মীরোলনদি ৱাফমসিং অসিদা অঙকপা পোকপসু য়াই;

মরমদি কৈ অমদি শামু হায়রিবা সা মখল অনী অসি হৌজিক্কী মতমদদি শাসিং অসি লৈতবগা পাংখক ওইরবা মরম্না। মণিপুরীসিংগী চীনবুং ৱারীদা কৈ অমদি শামুগা মরি লৈনবা ৱারী কয়া লীন-সক্লদুনা ঙল্লিঊৈদগী লাক্লি। 'পান্থোইবী'গী সাদোংসি কৈনি হায়বগী থাজনবী মণিপুরীসিংগী ৱাখলদা লেংদনা লৈরি। মোইরাং শায়োনসিংগী মনুংদা 'খম্বা-থোইবী'গী ৱারীদা পুরেনবনা কৈ ফাবা, খম্বনা কৈ ফাবা, কুঞ্জমালা কৈনা চাবা অসিনচিংবা কয়া। 'খম্বা শামু খোংয়েৎপগী ৱারী', 'লুখ্রাবী শামু লোইবীগী ৱারী', মোইরাং শাগী ৱারী' পুন্নমক অসি ঙল্লিঊৈগী মতমদগী লীন-শাক্লদুনা লাক্লিবা ঙাক্তনি। মতম অমদা মণিপুরদা শামু মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বগী খুদমদি নিংথৌসিংনা শামুসিং ফারুবগী ৱাফম কয়া 'চৈথারোল কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরিবা অসিনা লেংদ্রবা খুমন্নি।

## 2. Objectives:

মণিপুরীসিংগী মমল য়াম্লবা রোয়েল ক্রোনিকল 'চৈথারোল কুম্বাবা' দা রেকোর্দ তৌবা মরু ওইবা ৱাফম কয়াগী মরক্তা তোঙান-তোঙানবা সাসিং ফাবগী থৌদোকসিং ইসিন্দুনা থম্বা অসিসু অমনি। পেপর অসিদা করম করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা শামুসিং পুরকখিবগে, করম করম্বা মফমদগী শামুসিং ফাখিবগে অমদি কয়া য়াম্না ফারকপগে হায়বগী ৱারোলসিংদু থন্নবা হোৎনরি।

## 3. Methodology:

পেপর অসি ইনবা হোৎনবদা মপুং ওইবা মতেং লৌখিবদি প্রাইমরি সোর্স ওইনা লাইওইখ্রবা স্কোলার লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমদি নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ অনীনা সম্পাদকসিং ওইদুনা ইং ২০০৫ তা অহুমশুবা খুৎনম ওইনা ফোংবা 'চৈথারোল কুম্বাব' নি অদুগা তোঙান-তোঙানবা মীওইসিংনা 'চৈথারোল কুম্বাব' গী মরমদা ইবা, ইরম্বা ৱারোলসিংনা সেকেন্দরী সোর্স ওইনা মতেং লৌরি।

## 4. Discussion:

মণিপুরগী ইতিহাসতা ক্রোনিকল ইবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বসি *চৈথারোল কুম্বাবা, নিংথৌরোল লম্বুবা, মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা* অমদি *চাদা লাইহুই* অসিনচিংবনা ময়েক সেংনা তাক্লি। ক্রোনিকলসিং অসিদা মতম মতম্‌দুদা পানখিবা নিংথৌসিংগী মরমদা অমদি থোকখিবা মরু ওইবা থৌদোক কয়াগী মরমদা রেকোর্দ তৌদুনা থম্বনি। ক্রোনিকলসিং অসিগী মনুংদা 'চৈথারোল কুম্বাবা' হায়বসিনা মরু ওইনা লৌনৈ। মসি ৱারেংগী মওংদা ইরম্বনি। *চৈথারোল কুম্বাবা*গী মতাংদা সি. এইচ. মণিহার সিংহনা অসুন্না ফোংদোক্লম্মী- "To a Historiographer, the *Cheitharol Kumbaba* has a pride of place for its broad sweep of time from the first century down to the present day, as its chronological recording is still being maintained and for coverage of manifold events – social, political, economic and religious".[২] মণিপুরগী ইতিহাসতা থোকখিবা মরু মরুওইবা থৌদোকসিংগী মরমদা রেকোর্দ তৌদুনা থম্বনি লোয়ননা হৌজিক ফাওবদসু 'কুম্বাবা' ইবগী থবক চৎথরি। অদুগা পোলেম নবচন্দ্রনা ক্রোনিকল অসিগী মতাংদা অসুন্না হায়রি- "মণিপুরীশিংগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতি নৈনবদা তংঙাই ফদনা চঙদ্রবা খ্বাইদগী মরুওইবা লাইরিক্তি 'চৈথারোল কুম্বাব'নি হায়বদা চিংনিংঙাই লৈতে। লাইরিক অসি লমদমসিগী মীশিংনা নীংশিংদুনা থম্বগী তংঙাইফদবা,

ISSN(o): 2581-6241
Impact Factor: 9.134

খণ্ডলকপা, ইতিহাসকী য়াওন্না পুরকপা সংস্কৃতিগী থাক মতুংইন্না করম্বা নিংথৌগী হাকতক্তা করম্বা মরুওইবা থৌদোক থোকখিবগে হায়বদু লৈবাক নিংথৌনা য়ানবা মতুংইন্না মথং মনাও ওইনা ইশিন্দুনা থকহৌবা ৱারোলনি"।[৩] য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফম্নি। 'চৈথারোল কুম্বাব'দা মণিপুরীসিংগী মমল য়াম্লবা থৌদোক ৱাথোক কয়া রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরি। ক্রোনিকল অসিদা ইসিন্দুনা থম্লম্বা ৱারোলসিংগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা সা কয়া ফাখিবগী মরমদসু য়াওরি। কৈ ফাবা, কৈনা চীক্তুনা মীসি মীনা থোকপা, শামু ফাবা, মপান লমদগী শামুসিং পুসিল্লকপা, শামুনা সোক্তুনা মীসি মীনা থোকপা, শজি ফাবা, শঙাই ফাবা, শাজন ফাবা, য়োং ফাবা, লমওক ফাবা, তাম্না ফাবা অসিনচিংবা কয়াগী মরমদা রেকোর্দ তৌরি।

ক্রোনিকল অসিদা শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী মরমদা রেকোর্দ তৌরম্বসিংগী মনুংদা - মপান লমদগী মণিপুরদা শামু পুসিল্লকপা, তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎলগা শামু ফাবা, শামুনা মী হাৎপা অসিনচিংবা কয়ামনি। ইহান হানবা ওইনা শামুগা মরি লৈনবা ৱাফম পল্লম্বসি মৈদিংঙু মুংয়াম্বা (খৃঃ ১৫৬২-১৫৯৭) গী মতমদগীনি। নিংথৌ অসিগী মতমদা রেকোর্দ তৌরম্বা শামুগা মরি লৈনবা ৱাফমসিংদি- ১। "... কবো লৈমা স্না লাংমৈরেম্বীগী মমল শামু ময়ামপা থোকএ"। (২৭) ২। "... ইবুংঙো খুনজাম্বনা খামরন চঙদুনা শামু খমলো কৌবা ২মা থোকলকএ"। (২৯) ৩। "... তখেন্দগী শামু খেন্তেঙম্বা থোকলকএ"। (২৯) ৪। "... কবোরমদগী শামু অমোম অমা থোকলকএ"। (৩০) ৫। "... শামু মরাম্বসু থোকএ"। (৩১) অসুন্না মুংয়াম্বগী মতমদা মণিপুরদা শামুসিং পুরকখিবগা মরি লৈনবা ৱাফমসিং রেকোর্দ তৌরি।

মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানবা মতম (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) দা রেকোর্দ তৌরম্বা শামুগা মরি লৈনবা ৱাফমসিংদি- ১। "... শামু ক্যাম্বসুং থোকলকএ"। (৩২) ২। "... কবোদগী শামু অমোম অমা য়াওনা থোকলকএ"। (৩২) ৩। "... শামু মচা পোকপা অমসুং থোকলকএ"। (৩২) ৪। "... শামু অয়াম্বসুং থোকলকএ"। (৩২) ৫। "... শামু ৩০ ... শামু শেনবা অসি খৈবিক লোকলৌএ"। (৩৩) ৬। "... শামু থৌবুলা মচা পোকএ"। (৩৫) ৭। "... শামু মুক্তাসুং থোকএ"। (৩৬) ৮। "... শামু হেরা থোকলকএ"। (৩৯) ৯। "... খামরন্দগী শামু লাবা অমসুং ময়াংদগী শামু অমোম অমসু থোকমন্নরকএ"। (৩৯) ১০। "... কবোদগী শামু ৩ থোকলকএ"। (৪০) ১১। "... লমদা থাদা শামু থৌরোই পোকএ"। (৪০) ১২। "... শামু পাংকারাসু থোকএ"। (৪০) ১৩। "... ইবুংঙোহন খোংজোম্বগী শামু পোলোংলাই ময়াংদগী পুথোকলকএ"। (৪০) অসুন্না মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানবা মতমদা শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক তরাহুমদোইখক (১৩) 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরি।

মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা পানবা মতম (খৃঃ ১৬৫২-১৬৬৬) দনা তখেন্দগী শামু অমা পুরককপগী থৌদোক অমা 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরি- "... তখেন লাইবারসুং শামু ১ নুপী ১ পুদুনা থোকলকএ"। (৪৫)

মৈদিংঙু পাইখোম্বনা পানবা মতম (খৃঃ ১৬৬৬-১৬৯৭) দা থোকখিবা মপান্দগী শামু পুসিল্লকপা অমদি ফাবগা মরি লৈনবা থৌদোকসিং- ১। "... শামু অমনচিংনা থোকলকএ"। (৪৭) ২। "... তখেন্দগী শামু ২ থোকলকএ"। (৪৯) ৩। "... ৬নি ঈরাইদা তখেন্দগী শামু থাংকোকপা থোকলকএ"। (৪৯) ৪। "... ১৭নি শগোলশেন্দা নৌসোমচা পুখ্রনবগী শামু অমোম অমা তখেন্দগী তীকপা থুংলৈএ"। (৫০) ৫। "... লাংপন থাদা কৈশামচা লাইয়েন লাকপা থিংকোন্নচিংবা ময়াংদগী শামু লাবা পবনসিংগা অমোম প্রতিকাগা ২মা ওকএ"। (৫১) ৬। "... থা অদুদা য়েনত্রেন নাহুন শাবসুং উশাবা খুল্লাকপসুং শামুশেনবা হিদংসুং সৌবাম পুনসিসুং ৩মকনা খারিদা শামু ফাবা চঙখিএ"। (৫২) ৭। "... ১৬নি ঈরাইদা তখেন্দগী শামু থাংকোকপা লাবা ১ অমোম ১ অনীমা থোকলকএ"। (৫৫) ৮। "... ৫নি নিংথৌকাবদা নৌসোমচা লুৱাংবনা ঔৱাদগী শামু

অমোম অমা লাবা অমা ওকলুবা থুংলৈএ”। (৫৫) অসুন্না মৈদিংঙু পাইখোম্বনা পানবা মতমদা মণিপুরদা শামুসিং পুসিল্লকপা অমদি শামু ফাবা চৎপগী থৌদোক নিপানখক (৮) ‘কুম্বাব’দা রেকোর্দ তৌরি।

মৈদিংঙু চরাইরোংবনা পানবা মতম (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) দা রেকোর্দ তৌরম্বা শামুগা মরি লৈনবা থৌদোকসিংদি- ১। “... ৪নি লংমাইচিংদা তখেন্দগী শামু অমা থোকলকএ”। (৬২) ২। “... থানিন নোং নিংথৌকাবদা ৱায়েনবা শেলুংবনচিংদুনা উরাংপাই লৈমতাক্তা শামু ফাবা চৎএ”। (৬৮) ৩। “... ১০নিদা নিংথেমনা কারাথোংদা শামু তানবা চৎএ। ফংদরে”। (৬৮) ৪। “... ১১নি লৈপাকপোকপদা পোৎশংবা হঞ্জবা মোইরেংজাম্বনা অৱাদগী শামু লাবা ১ অমোম অমা ওকলুবা থুংলৈএ”। (৬৮) ৫। “... ২৪নি লংমাইচিংদা নিংথেমনা ক্যাম্বথেন্দা শামু ফাবা চৎএ”। (৬৯) অসুন্না শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক মঙাখক ‘কুম্বাব’দা লা চন্দুনা য়াওরি।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা পানবা মতম (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) দা থোকখিবা শামু ফাবা অমদি শামুগা মরি লৈনবা থৌদোকসিং- ১। “... ২১নি শগোলশেন্দা শীজ ঙাইখোংঙম্বীগী শামু তিকপা চঙখিএ”। (৭৫) ২। “... ১০নি ঈরাইদা শনথিনবা কৈরুংবনা শামু তানবা চৎএ”। (৭৫) ৩। “... ১১নি ঈরাইদা য়াইরিপোক্তা নিংথেমনা শামু তানবা চৎএ”। (৭৬) ৪। “... ১৪নি য়ুমশকৈশদা শামু ২৮ ফায়এ”। (৭৬) ৫। “... থানিন নোং ঈরাইদা থোংবম চুৎনানা খোয়াখুন্দা শামু তানবা চৎএ।”। (৮১) ৬। “... শামু অহুন্নচিংনা লান অচঙবা অশিবা থানা ২০০০ ফারৌএ”। (৮৪) ৭। “... ২৯নি ঈরাইদা শলুংথেন্দা শামু লমশা ৭০ চনএ। নিংথেম চত্তুনা ফায়এ। ... ২নি নিংথৌকাবদা মহারাজনা শামু ফাবা থুংলৈএ”। (৮৬) ৮। “... ৬নি শগোলশেন্দা থোংগ্রাংবীদা শামু ২ অমদি শিনা ফায়এ। অমদি চংনা ফায়এ”। (৮৮) ৯। “৮নি থাঙজদা কৈখোংদা শামু অমসু ফায়এ। ফৌগাকচাউদা শামু লমশা ২৩ ফায়এ”। (৮৮) ১০। “১৮নি লৈপাকপোকপদা গুরুগা নিংথেমগা মোইরাংদা শামুতানবা চৎএ”। (৮৮) ১১। “... ১৪নি থাঙজদা শামু লমশা অমা ফায়এ”। (৮৮) ১২। “... ৯নি থাঙজদা য়াইরিপোক্তগী শামু লমশা ২ লিলোংলম হোইগৎলক্তুনা শনশেনথোং মচীন্দা ফায়এ”। (৮৯) ১৩। “... ১৩নি ঈরাইনা নিংথেম য়াইরিপোক্তা শামু তানবা চৎএ”। (৯৪) ১৪। “... ১৭নি লৈপাকপোকপদা য়াইরিপোক্তগী য়াপনবা ফায়এ”। (৯৬) ১৫। “... ২২নি থাঙজদা গুরুনে সনা অহন্নে ২মনা মোইরাংদা শামু তানবা চৎএ। শামু ১১ ফায়এ”। (৯৭) ১৬। “... ১৩নি থাঙজদা গুরুগা ইবুংঙো অতোনবগা মোইরাংদা শামু তানবা চৎএ”। (৯৭) ১৭। “... ১৭নি নিংথৌকাবদা গুরুনা মোইরাংদা শামু তানবা চৎএ”। (৯৯) ১৮। “... ৩নি থাঙজদা ময়াংনা শামু য়াপানবা ২ পুরকএ। নিংথেম মনাও অতোম্বনা ময়াংশা ওকপা য়াপনবা থুংলৈএ”। (১০২) ১৯। “... ৩নি নিংথৌকাবদা ময়াং নিংথৌমচাবু কোন্না তাল্লকপা শামু ১ পুরকপা থুংলৈএ”। (১০৪) ২০। “... ৩নি নিংথৌকাবদা য়াইরিপোক্তগী শামু য়াপনবা ১ ফারক্তুনা থুংলৈএ”। (১০৭) ২১। “... ১৪নি লংমাইচিংদা নিংঙৌন ককময়াইদা শামু লমশা ফাববু কনলকএ”। (১১৪) ২২। “... ১২নি শগোলশেন্দা তেনশুবম খোমবনা শামু মচা অমা শগাই শানা পুরকএ”। (১১৭) অসুন্না মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা পানবা মতমদা থোকখিবা শামু ফাবা অমদি পুসিল্লকপগা মরি লৈনবা থৌদোক কুন্নীথোইরোম (২২) ‘কুম্বাব’গী লামাইসিংদা লা চন্দুনা য়াওরি।

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা অহানবা নিংথৌ ওইবা মতম (খৃঃ ১৭৫৯-১৭৯১) দা তখেন্দগী শামু অমা পীরকখিবগী ৱাফম ‘কুম্বাব’দা রেকোর্দ তৌরম্মী। থৌদোক অদুদি- “... নাউসেকপম চিংবনগী কুম শক ১৬৮৩ দা তখেন্না শামু অমা পীরকএ”। (১২৩) মৈদিংঙু অসিনা অনীরকসুবা নিংথৌ ওইনা পানখিবা মতম (খৃঃ ১৭৬৩-১৭৯৮) দদি শামু ফাবগা মরি

লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া রেকোর্দ তৌরম্বা থেংনৈ। থৌদোকসিং অদুদি- ১। "... অৱানা শামু অমা পীরকএ"। (১২৫) ২। "... তেখাও নিংথৌনা শামু ৬ পীরকএ"। (১২৫) ৩। "... ২নি নিংথৌকাবদা লোক্তাক্তগী শামু ৩ ফায়এ"। (১২৮) ৪। "... ১০নি লংমাইচিংদা ইবুংশীজ সেনাপতিনা ইহারাইদা শামু তানবা চৎএ"। ৯১৪৯) ৫। "... অদু নুমিৎতা মহারাজনা কৌব্রুদা শামু তানবা চৎএ"। (১৫০) ৬। "... অদু নুমিত্তা লুৱাং শঙ্গোন্দা শামু ৫ ফাএ"। (১৫০) ৭। "... ইবুংঙো নহারুপ লাকপনচিংনা নাউশেকপা লোক্তা শামু তানবা চৎএ"। (১৫০) ৮। "... শামু ১৮ ফাএ। ময়া অমতা পানবা য়াওএ। ... ১৯নি নিংথৌকাবদা শামু ৬ থুংলৈএ। ২১নি য়ুমশকৈশদা শামু ৬ থুংলৈএ।"। (১৫০) ৯। "... ১০নি থাঙজদা ময়াং নিংথৌনা শামু ৩ পীবা থুংলৈএ"। (১৫২) ১০। "... ৭নি ঈরাইদা তখেন তুম চক্রনারান্না শামু অমা পুদুনা থুংলএ"। (১৬৮) ১১। "... ৬নি লংমাইচিংদা অঙোম চন্দ্রমণি শামুশেনবা হঞ্জবনচিংনা তখেন চান্দ কৌব্রুদগী শামু য়াপানবা অমা ফারকপা থুংলৈএ"। (১৬৯) ১২। "... থাশি নোং ঈরাইদা ইবুংশি ৱাইখেরাকপনা তিঙ্গ্রিদা শামু তানবা চৎএ"। (১৭১) ১৩। "... ১৬নি লংমাইচিংদা ইবুংশীজ ৱাংখেরাকপনা কৌব্রুদা শামু তানবা চৎএ। ১৯নি য়ুমশকৈশদা শামু য়াপনবা অমা ফারক্তুনা থুংলৈএ"। (১৭১) অসুন্না ইনিংথৌ অসিগী মতমদা শামু ফাবা অমদি পুসিল্লকপগা মরি লৈনবা ৱাফমসিং রেকোর্দ তৌদুনা 'কুম্বাব'দা য়াওরি।

মৈদিংঙু মধুচন্দ্রনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮০০-১৮০৩) দসু- "... ১৩নি য়ুমশকৈশদা কৌব্রুদগী শামু অমা ফারকএ"। (১৮০) হায়বগী থৌদোক অমতমক 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরম্মী।

মৈদিংঙু চৌরজিৎনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮০৩-১৮১৩) দনা শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক মরীমুক রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরি- ১। "... ২০নি ঈরাইদা হৈচানা অহোংনা ইংথি মপান্দগী শামু লৌবা চৎএ"। (২০৪) ২। "... ২২নি লংমাইচিংদা ইবুংশীজ মার্জিৎ যুবরাজনা শামু ২ লোয়ননা থুংলৈএ"। (২০৫) ৩। "... অদু নুমিত্তা হাওবম নোংথোনবগা অমুবা হিদাকফানবা হঞ্জবা ২ মনচিংনা শুগ্নুদা শামু শয়াম ফায়এ। ময়েংবা লনহাম্বনা শোঙ মনুংদগী শামু মচা অমা ঙকথি চপনা চিংথোকলক্তুনা ফায়এ"। (২০৬-২০৭) ৪। "... ১৩নি শগোলশেন্দা শ্রীমহারাজ মৈদিংঙু নোংচুপ ৱাইরং পামহৈবনা লৈকাই মরিমগী পালাগা লোয়ননা কৌব্রুদা শামু তানবা চৎএ।"। (২০৭) অসুন্না নিংথৌ অসিগী হাকতক্তসু শামু ফারুবগী থৌদোকসিং রেকোর্দ তৌরম্মী।

মৈদিংঙু যদু সিংহ নোংপোক চীংলেন খোম্বানা পানবা মতম (খৃঃ ১৮২৩- ) দা অৱা নিংথৌনা যদু সিংহদা শামু ২ পীরকপগী ৱাফম রেকোর্দ তৌরি- "... অদু নুমিত্তা অৱা নিংথৌনা যদু সিংহপু মৈতৈ নিংথৌ ওইরুরো হায়না নিংথৌগী পোলোই মশীং শুনা শগোল ৫ শামু ২ ... লোয়নদুনা থানিন নোং শগোলশেন নুমিত্তা কোনুং চঙতুনা শ্রীযুৎ মহারাজ নোংপোক চিংলেন খোমপানা চহী ৩৩ দা নিংথৌ ওইএ"। (২২০-২২১)

মৈদিংঙু চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮২৫-১৮৩৪) দদি শামু ফাবা অমদি পুসিল্লকপগা মরি লৈনবা থৌদোকসিং 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরম্মী। থৌদোকসিং অদুদি- ১। "... অদু নুমিত্তা ময়াংদগী শামু ২ থুংলৈএ"। (২২৯) ২। "... ১৮নি থাঙজদা শ্রীযুৎ মহারাজ শামু ফাবা চৎএ।"। (২৩৩) ৩। "... ১৪নি নিংথৌকাবদা শ্রীযুৎ মহারাজ ইকৌ মরুদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৩৮) ৪। "... ৩নি নিংথৌকাবদা শ্রীযুৎ মহারাজ শামু ফারুবা থুংলৈএ। শামু ৩৪ ফারকএ।"। (২৩৮) ৫। "... ৪নি শগোলশেন্দা কবো সমসোক নিংথৌনা শামু লাবা য়াপনবা ১ শগোল ১ পে সনালুপ্পা ৩ শ্রীযুৎ

**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 9.134
Volume - 8, Issue - 10, October - 2025

মহারাজদা কৎলৈএ"। (২৪৩) অসুন্না ইনিংথৌ অসিগী হাকথক্তা শামু ফাবগী থৌদোকসিং রেকোর্দ তৌরব্বা অসিনা মতম অমদা মণিপুরদা শামু মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বদু তাক্লি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ (নিংথেম পিশক) না অহানবা নিংথৌ ওইবা মতম (খৃঃ ১৮৩৪-১৮৪৪) দসু শামু ফাবা অমদি শামুগা মরি লৈনবা ৱাফম কয়া 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরম্মী। ইনিংথৌ অসিগী হাকথক্তা থোকখিবা শামুগা মরি লৈনবা থৌদোকসিংদি- ১। "... ১৯নি থাঙজদা কমপানিগী শামু লাবা ১ অমোম ৩ কিরান সাহেবনা শ্রীমহারাজদা কৎলৈএ"। (২৪৬) ২। "... ১৭নি লংমাইচিংদা ইবুংশীজ সেনাপতিনচিংনা লৈবাক পূন্নমা শামু ফাবা চৎএ"। (২৫৪) ৩। "... ৬নি লংমাইচিংদা ইবুংশীজ সেনাপতিনচিংনা লৈপাক অপুম্বা শামু তানবা চৎএ"। (২৫৫) ৪। "... ২০নি থাঙজদা য়াচং মতুং পূং ২ লৈরিঙৈদা শামু ২ ফারকপা থুংলৈএ। ২১নি লংমাইচিংদা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পূং ৭কী মনুংদা শামু য়াপনবা ১ থুংলৈএ"। (২৫৫) ৫। "... ২৪নি য়ুমশকৈশদা শামু য়াপনবা থুংলৈএ"। (২৫৫) ৬। "... ৯নি ঈরাইদা ইচাইদা শামু ফাবা ১রক ইবুংশি সেনাপতি দেবেন্দ্র সিংহনচিংনা চৎএ"। (২৫৫) ৭। "... ১৯নি লৈপাকপোকপদা শামু য়াপনবা ১ অমোম ১ য়াতোমপোক ১ য়ুতুং য়ুথক মতুং পুং ৩ তাখিবগী মনুংদা থুংলৈএ। শুপ্না ১৭ ফায়এ"। (২৫৫-২৫৬) ৮। "... ২৯নি য়ুমশকৈশদা শ্রীমনাও ইবুংঙো সেনাপতিনচিংবা কাংলাতোংবিদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৫৬) ৯। "... ২নি থাঙজদা শামু য়াপনবা ১নচিংবা শামু ৪ থুংলএ"। (২৫৬) অসুন্না চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অহানবা নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদা শামু ফাবগা মরি লৈনবা থৌদোক মাপনখক (৯) 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরি।

মৈদিংঙু নরসিংহনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮৪৪-১৮৫০) দসু শামু ফাবা অমদি শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক কয়া থোকখিবগী ৱাফম "চৈথারোল কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরি। থৌদোকসিং অদুদি- ১। "... ৯নি নিংথৌকাবদা শ্রীয়ুবরাজনা ৱাইরি কোঞ্জিনদা শাতানবদা কৈ অমা ফারকএ। শামু য়াম্না ফারকএ"। (২৭০) ২। "... অদু নুমিৎ শ্রীমনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংনা কংলাতোংবীদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৭৭) ৩। "... ১০নি শগোলশেন্দা মনাও য়ুবরাজনা শামু ফাবা চৎএ। ... ২৪নি নিংথৌকাবদা ইবুংশীজ য়ুবরাজ শামু তানবা ফংদদুনা হল্লকপা থুংলৈএ"। (২৭৭-২৭৮) ৪। "... অদু নুমিত্তা মনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংবা অৱাংলম কংলাতোংবীদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৮৩) ৫। "... ২৩নি নোংমাইজিংদা মনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংবা শামু ফাবা চৎএ। ... অদু নুমিত্তা মনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনা শামু ফারুবা হল্লকএ। শামু ২৪ ফারকএ"। (২৮৩) ৬। "... থাশি নোং লৈপাকপোকপদা মনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংনা অৱাং কংলাতোংবীদা শামু ফাবা চৎএ। ... শামু থাংখোকপা ১ য়াবনবা ৩ শোংদা চঙএ। ... শামু য়াবনবা ১সু পন হেনখিএ"। (২৮৪) ৭। "... ১৫নি লৈপাকপোকপদা শামু থাংখোকপা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পূং ৪কী মনুংদা থুংলৈএ। মনাও ইবুংঙোসু থুংলৈএ। ১৬নি য়ুমশকৈশদা শামু য়াপনবা ২সুং থুংলৈএ"। (২৮৪) ৮। "... ২৮নি লৈপাকপোকপদা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্রসিং য়ুবরাজনচিংনা কৌবারুদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৮৪) ৯। "... ১১নি লংমাইচিংদা শ্রীমনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংনা কৈথেন মানপীদা শামু ফাবা চৎএ। ১৪নি য়ুমশকৈশদা শামু শোঙ চঙএ। ... ১৭নি থাঙজদা শামু য়াপনবা অচৌপা ১ শোঙ নমখায়দুনা চেনখিএ। ... ২৬নি লংমাইচিংদা শামু ফাবা থুংলৈএ। শামু ৮ নে"। (২৮৮) ১০। "... ২২নি লংমাইচিংদা মনাও ইবুংঙো য়ুবরাজনচিংনা শামু তানবা চৎএ। ... ২নি য়ুমশকৈশদা শামু ফাদনা হল্লকএ"। (২৮৯) ১১। "... ২১নি শগোলশেন্দা শ্রীমনাও ইবুংঙোনচিংনা শামু তানবা চৎএ। ২৫নি নিংথৌকাবদা শামু ফাদনা হল্লকএ"। (২৯০-২৯১) ১২। "... শামু তানবসুং চৎএ। শগোলশেন্দা শামু লৈতে হায়দুনা মীয়াম হল্লকএ"। (২৯৩) ১৩। "... ১০নি শগোলশেন্দা লোংচামচা উরু

পুরেননচিংনা লৈকাই শংশারোই তেংখন, অয়োকপা লোয়ননা সোইচেপ কামেংদা শামু য়েংপা চৎএ। ১১নি ঈরাইদা মনাও ইবুংঙো যুবরাজনচিংনা শামু ফাবা চৎএ"।(২৯৩-২৯৪) ১৪। "... ২৮নি লংমাইচিংদা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্র সিংহ যুবরাজনচিংনা কৌপরুদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৯৪) ১৫। "... ১৬নি শগোলশেন্দা মনাও ইবুংঙো যুবরাজনচিংনা কৌবরু নোংফৌ চীংখোংদা শামু ফাবা চৎএ"। (২৯৬) ১৬। "... ২৭নি লংমাইচিংদা মনাও ইবুংঙো দেবেন্দ্র সিংহ যুবরাজনা নোংফৌ চীংখোংদা পাম্বোম খুৎশন্ননা কোয়দুনা শামু য়াপনবা ১ ফায়এ"। (২৯৬) ১৭। "... ২নি ঈরাইদা মনাও ইবুংঙো যুবরাজ শামু ফাবা থুংলৈএ। শামু য়াপনবা ১ ফারকএ"। (২৯৬) অসুম্না মৈদিংঙু নরসিংহনা নিংথৌ ওইরিঙৈগী মতমদা শামু ফাবা অমদি শামু তানবা চৎপগা মরি লৈনবা থৌদোক কয়া 'কুম্বাব'গী লামাইসিংদা লা চন্দুনা য়াওরি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অনীরকশুবা নিংথৌ ওইবা মতম (খৃঃ ১৮৫০-১৮৮৬) দা অমুকসু শামু ফাবা, মপান্দা পুখিবা অমদি শামু তানবা চৎপগা মরি লৈনবা থৌদোক কয়ামা 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌরি। থৌদোকসিং অদুদি- ১। "... ২০নি য়ূমশকৈশদা শামু লাক খোংশা ময়াংদা পুশিনএ"। (৩১০) ২। "... শামু লাখোংশা য়াইমবসুং ময়াংদা পুশিল্লে"। (৩১০) ৩। "... ১১নি য়ূমশকৈশদা তেখাওদগী শামু অমোম ১ থুংলৈ"। (৩৩০) ৪। "... শিলোৎতগী পাওন নিংথৌ মচাসুং শামু তোংদুনা থুংলৈএ"। (৩৩৮) ৫। "... ৪নি শগোলশেন্দা লোংজাম্বা পোৎশংবা হঞ্জবা লোমানা জিরিদগী শামু ৬৩ ফারুবা ৫ দি শিএ। ৪৮দি ময়াংদা য়োল্লমএ। শামু য়াপনবা ১ নচিংবা শামু ৭ থুংলৈএ"। (৩৩৯) ৬। "... লমাবা সুবিদারসুং ময়াং মাউৎকা লোয়নদুনা কৌব্রুদা শামু ফাবা চৎলে। ... লমাবা সুবিদারসু শামু ১ ফারক্তুনা থুংলৈএ"। (৩৪০) ৭। "... ২১নি ঈরাইদা কৌব্রুদগী পাংঙন মাউৎনা শামু ৩ ফারকএ"। (৩৪০) ৮। "... ১৮নি লংমাইচিংদা লোংজমচা লমা মেঞ্জোরনা ময়াংদগী শামু ফারুবা শামু ৬ থুংলৈএ"। (৩৪২) ৯। "... ২৬নি ঈরাইদা কৌব্রুদগী মোইরাংথেম্না শামু য়াপনবা ফারকএ"। (৩৪৩) ১০। "... ১৬নি শগোলশেন্দা লোংজাম্বা মেঞ্জোরনা ময়াংদা শামু ফাবা চৎলে"। (৩৪৩) ১১। "... ১৯নি লৈপাকপোকপদা থিয়ামচা শেলুংবা ময়াংদা শামু ফাবা য়েংবা শাল্লে"। (৩৪৪) ১২। "... ২১নি নিংথৌকাবদা নিংথেম অৱাংলম শামু ফাবা চৎলে। শামু ১ ফায়এ। ... শামুদি চিংলকপদা ইকৌদা শিয়ে"। (৩৪৭-৩৪৮) ১৩। "... হৌৱাইবা শঙলেন লাকপনচিংনা লৈপাক পূন্নমা শামু ফাবা চৎলে। শামু ৫ ফারকএ"। (৩৪৮) ১৪। "২৭নি থাঔজদা পুথিবা পোৎশংবনচিংনা ইরিল মরুদা শামু ৯ ফারকএ"। (৩৪৮) ১৫। "... ১১নি থাঔজদা ইবুংশি শামুহঞ্জবা সৌগাইজাম্বা ২মক শামু তানবা চৎলে। ... শামু অমোম ১ ফারকএ"। (৩৫০) ১৬। "... অদু নুমিত্তা ইবুংশি শামু হঞ্জবগা সৌগাইজম মেঞ্জোরনচিংনা কৌব্রুদা শামু তানবা চৎলে। ... ২০নি লৈপাকপোকপদা শামু ১১ ফাদুনা থুংলৈএ"। (৩৫১) ১৭। "... ১১নি য়ূমশকৈশদা থাঙ্গাল হজারীনচিংনা মোইরাংগী তোর্বুং চেকলাপাইদগী শামু ৩ ফারক্তুনা থুংলৈএ"। (৩৫১) ১৮। "... ১৯নি শগোলশেন্দা নিংথেম য়াওনা কৌব্রুদা শামু ফাবা চৎলে। ... ২৭নি থাঔজদা শামু ৬ থুংলৈএ। মহারাজসু শামু ফাবা থুংলৈ"। (৩৫৭-৩৫৮) ১৯। "... ইবুংশি শামু হঞ্জবনা মকেংলোক্তগী শামু ৮ ফারকএ"। (৩৫৮) ২০। "... ২৯নি লংমাইচিংদা ইবুংশি শামু হঞ্জবা সৌগাইজাম্বা মেঞ্জোরনা ২ মানা অৱা মকেংলোক্তগী শামু ১২ ফারকএ"। (৩৬২) ২১। "... ১৩নি লৈপাকপোকপদা কাংঙবা দেৱান্না জিরি উনুংদা শামু ১৯ ফায়। ১৭ তি য়োল্লমএ। ২দি পুরকএ"। (৩৬২) ২২। "... অদু নুমিত্তা সৌগাইজাম্বা মেঞ্জোরসু শামু তানবা থুংলৈএ। ... শামু ৩ ফারকএ। ১দি কাপতুনা ময়া পুরকএ"। (৩৭১) ২৩। "... ২৩নি ঈরাইদা সৌগাইজাম্বা মেঞ্জোরনা খা কৈরুপকী মখৈ চাইরেন্দা শামু অঙৌবা ফাবা চৎলে"। (৩৭৩) ২৪। "... ২৩নি লংমাইচিংদা সৌগাইজমচা মেঞ্জোরনা শামু তানবা চৎলে। ... ১২নি ঈরাইদা সৌগাইজমচা বোলাই মেঞ্জোরনা শামু ৭ ফারক্তুনা

**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal
Volume - 8, Issue - 10, October - 2025
ISSN(o): 2581-6241
Impact Factor: 9.134

থুংলৈ"। (৩৭৪) ২৫। "... ৫নি লংমাইচিংদা সৌগাইজমচা মেঙ্গোরনা চাইরেন্দা শামু অঙৌবা তারকএ হায়দুনা শামু তানবা চৎএ। ... ১২নি লংমাইচিংদা সৌগাইজমচা মেঙ্গোরনা শামু তানবা লৈতদুনা হল্লকএ"। (৩৮০) ২৬। "... ১৭নি লংমাইচিংদা মহারাজনা কৌব্রুদা শামু তানবা চৎলে। ... শামু মচা ১ ফারকএ"। (৩৮১) ২৭। "... অদু নুমিত্তা কৌব্রুদা ময়াং মউৎনা লাং থাক্তুনা শামু ফাগনি হায়ববু ফাদনা হল্লকএ"। (৩৮২) ২৮। "... ১৪নি শগোলশেন্দা ময়াংলম খেত্র (ক্ষেত্র) চৎপদা শামু মচা য়াপানবা ১না শামু য়ুমশা মরক্তা চঙশিল্লক্তুনা ফারকএ"। (৩৮৯) ২৯। "... ৭নি থাঙজদা মকেং লৌবুক্তা শংখুবা সুবিদারগা তাইজম্বা হিদংগা ২ মানা শামু ৩ ফারক্তুনা থুংলৈ"। ৩০। "... ৬নি য়ুমশকৈশদা কৌব্রুদগী শামু য়াপনবা ১ লোইয়া মশাং ইচুম ৱারোইচিং য়ৌনা কুমথরকপবু লমাবমচা দেৱান, কাংঙবমচা মেঙ্গোর ২মনা হোইগত্তুনা শ্রীমচা ইবুংঙো যুবরাজনা ইঙৌরোক্তা থত্তুনা ফায়"। (৩৯২) (৪০০) ৩১। "... ২১নি লৈপাকপোকপদা মাইস্নামচা মেঙ্গোর, ৱাহেংবমচা মেঙ্গোর ২মনা লৈমতাক্তগী শামু ২০ ফারকএ"। (৪০৫) ৩২। "... ১৭নি লৈপাকপোকপদা কাংঙবমচা মেঙ্গোরনা শামু ফাবা চৎলে"। (৪০৬) ৩৩। "... ১৩নি থাঙজদা অৱাং মকেং লোকচাওদা ৱাহেংবমচা মেঙ্গোরনচিংনা শামু ফাবা চৎএ"। (৪১১) ৩৪। "... ৭নি লৈপাকপোকপদা ৱাহেংবমচা মেঙ্গোরনা অৱাংলোমদা শামু তানবা চৎলে। ... ২৩নি য়ুমশকৈশদা ৱাহেংবা মেঙ্গোরনা শামু য়াপনবা ১ ফারকএ"। (৪১২-৪১৩) ৩৫। "... ২৫নি লংমাইচিংদা মাইস্নাম শামু মেঙ্গোরনা কোংয়াংলোক্তা শামু তানবা চৎলে। ... ২১নি ঈরাইদা মাইস্নামচা শামু মেঙ্গোরনা কোয়াংলোক্তগী শামু য়াতোমপোক ১ ফারক্তুনা থুংলৈএ"। (৪১৩-৪১৪) ৩৬। "... ৫নি শগোলশেন্দা মাইস্নামচা মেঙ্গোরনচিংনা অৱারমদা শামু তানবা চৎলে। ... ২২নি থাঙজদা মাইস্নামচা মেঙ্গোরনচিংনা শামু ১০ ফারকপা থুংলৈ"। (৪২৪) ৩৭। "... ২১নি শগোলশেন্দা মাইস্নাম মচা শামু মেঙ্গোরনা পুংশানমৈদগী শামু ৯ ফারকপা থুংলৈএ"। (৪২৮) ৩৮। "... ২৪নি লৈপাকপোকপদা কাংঙবা মেঙ্গোরনা ময়াং লমদা শামু ফাবা চৎলে"। (৪২৯) ৩৯। "... মাইস্নামচা শামু মেঙ্গোরসু অৱাংলমদা শামু তানবা চৎলে। ... মাইস্নামচা মেঙ্গোর শামু ১১ ফারকতুনা থুংলৈএ"। (৪২৯) ৪০। "... থাশি লংমাইচিংদা মাইস্নামচা শামু মেঙ্গোরনা ময়াংলোমদগী শামু ফারকপা থুংলৈ"। (৪৩১) ৪১। "...২৫নি থাঙজদা শামু অঙৌবা কৈথেন অওম্বদা থুংদুনা শ্রীযুৎ সনা মীৎয়েং তায়ে"। (৪৩৯) ৪২। "... ১৭নি থাঙজদা ময়াংদা শামু ২ পুশিনখিএ"। (৪৫৩) ৪৩। "... ৬নি ঈরাইদা মচা ইবুংঙো শামু হঞ্জবনচিংনা মাইস্না মেঙ্গোরগা সিফাই ৪০০ লোয়নদুনা শামু তানবা চৎলে। ... ২৩নি নিংথৌকাবদা শ্রীমচা ইবুংঙো শামু হঞ্জবগা মাইস্না মেঙ্গোরগা শুগুদা শামু ফারুবা থুংলৈ। শামু ১৪ ফারকএ"। (৪৬০) ৪৪। "... ২১নি য়ূমশকৈশদা মচা ইবুংঙো শামু হঞ্জবনচিংনা মাইস্না মেঙ্গোর, অথোকপা পোইলা সিফাই ২৮৬ লোয়নদুনা মখারমদা শামু তানবা চৎলে। ... ১৭নি নিংথৌকাবদা মচা ইবুংঙো শামুহঞ্জবা শামু তাল্লুবা থুংলৈ"। (৪৬১) ৪৫। "... নোংমৈ লংদুম ২৭ শামু ৫ স্নাপে ৩ শন মপী মচা অসি খোমলকএ"। (৪৬৫) অসুন্না ইনিংথৌ অসিগী হাকথক্তা শামু ফাবা অমদি শামুগা মরি লৈনবা থৌদোক কয়ামরুম 'কুম্বাব'গী লামাইসিংদা লা চন্দুনা থল্লি। মতম অমদা মণিপুরদা অমদি মসিগী অকোয়বা মফমসিংদা শামু মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বদু ময়েক সেংনা তাক্লি।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮৮৬-১৮৯০) দনা শামু ফাবগী থৌদোক অমতমক রেকোর্দ তৌরি- "... ১৮নি শগোলশেন্দা মনাও ইবুংঙো শামু হঞ্জবনচিংনা অৱাংলমদা শামু তানবা চৎলে। ... ১৩নি লংমাইচিংদা মনাও ইবুংঙো শামু হঞ্জবা কাংঙবা মেঙ্গোর ২মনচিংনা শামু তানবা থুংলৈএ। শামু ১১ ফারকএ"। (৪৭৯)

মৈদিংঙু চুড়াচান্দ সিংহনা পানবা মতম (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) দসু শামু ফাবগা মরি লৈনবা থৌদোকসিংগী রেকোর্দ 'কুম্বাব'দা লা চন্দুনা য়াওরি। থৌদোকসিং অদুদি- ১। "... ৩নি শগোলশেন্দা মহারাজ শামু তানবা চৎলে"। (৫৫৮) ২। "... শামু ১নচিংনা স্না লুপা ফিরোল য়াম্না পীরকএ"। (৫৫৯) ৩। "... ১২নি লৈপাকপোকপদা কবোলমদগী পাংঙন্না শামু পুরকপা লাবা ২ অমোম ৫ শুপ্পা ৭ লৈহৌএ"। (৫৬২) ৪। "... ২৭নি লংমাইচিংদা কবোদা শামু লৈতে হায়দুনা মাইব্যা মেঙ্গর থুংলৈ"। (৫৬৮) ৫। "... থাশি শগোলশেন্দা শ্রীযুৎ মহারাজনা সিফাই ময়াম পুদুনা শামু ফাবা লেঙখিএ"। (৫৯৯) ৬। "... অদু নুমিত্তা মহারাজনা শামু তানবদগী থুংলৈ। ... ২২নি নিংথৌকাবদা ময়াম্বুংহল বড় সেনাপতিসু শামু অমোম ১ লাবা ১ শামু ২ ফারক্তুনা থুংলৈএ"। (৬০০) ৭। "... ১৩নি নিংথৌকাবদা ফারকপা শামু শ্রীযুৎকা লোয়ননা থুংলৈ"। (৬০০) ৮। "... ২৩নি লৈপাকপোকপদা শিকারগী শামু ফানবা ৬ তেখাওদগী থুংলৈএ। ২৮নি লংমাইচিংদা শ্রীযুৎ কবোরমদা শামু ফাবা যাত্রা তৌএ"। (৬০১) ৯। "... ১২নি লৈপাকপোকপদা শ্রীযুৎনা শামু লাবা ২ অমোম ৬ ফারক্তুনা স্না কোনুংদা থুংলৈ"। (৬০২) ১০। "... ২৭নি য়ূমশকৈশদা শ্রীযুৎ শামু ফাবা লেঙখি"। (৬০৩) ১১। "... ১৬নি ঈরাইদা শ্রীযুৎ কবোরম শামু ফাবা লেঙখি। থাশি ঈরাইদা শ্রীযুৎনা শামু লাবা ১ অমোম ২ ফাবগী পাউ থুংলৈ"। (৬০৪) ১২। "... ৬নি লংমাইচিংদা কবোরমদগী শামু লাবা ৪ অমোম ১ থুংলৈ"। (৬০৫) ১৩। "... ৮নি ঈরাইদা কবোদগী শামু লাবা ১ অমোম ৪ থুংলৈ"। (৬০৫) ১৪। "... ১৮নি নিংথৌকাবদা কবোদগী শামু লাবা ১ অমোম ১ ফারকপা থুংলৈ"। (৬০৮) অসুম্না ইনিংথৌ অসিগী হাকথক্তসু শামু ফাবগী থৌদোকসিং 'চৈথারোল কুম্বাব'দা য়াওবা থেংনৈ।

মহারাজ বোধচন্দ্রসিংহনা পানবা মতম (খৃঃ ১৯৪১-১৯৫৫) দদি শামু ফাবগী রেকোর্দ তৌবা থেংনদে, অদুবু নিংথৌনা শামু তোংদুনা চৎপগী থৌদোক অহুমখক্তি 'কুম্বাব'দা পল্লম্বা থেংনৈ। থৌদোক অহুম অদুদি- ১। "... ২৭নি থাঙজগী অয়ুক্তা শ্রীযুৎ শামু তোংদুনা স্কুল য়েংবা লেঙই"। (৬৫৯) ২। "... অদু নুমিত্তা শ্রীযুৎ মহারাজনা শামু খাবক নেত্তুনা হিয়াংগী যাত্রা তৌই"। (৬৬০) ৩। "... ২৬নি নিংথৌকাবদা থোঙ্গ্রাম বেথোপকী অস্থি লৌখৎপদা শ্রীযুৎনা স্নাকোনুংদগী শামু, দোলাই, বম, তোপ বাঁঝাই, বেঙ্গুন, শ্রীগোবিন্দগী পালা, মতোল ইবুংঙো সেনাপতিনা শামু তোংদুনা অস্থি লৌখৎলি"। (৬৭৪) অসিনচিংবা।

মতম অমদা মণিপুরদা শামু মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বসি 'কুম্বাব'দা রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরিবা কয়া অসিনা ময়েক সেংনা তাক্লি। অদুগা মণিপুর অসিসু শামুসিংনা লৈরম্বা, লৈবা অমসুং চৎথোক চৎসিনগী মফম অমা ওইনা লৈরি হায়বসি Ministry of Environment, Forest & Climate Change, Government of India না ফোংবা Elephant Corridors of India 2023 হায়সিদা পল্লি। হৌজিক্কী মতমদদি মণিপুরদা লমলক্কী শামু অমত্তা লৈত্রে হায়বা য়ারে; হায়বদি লৈত্রে। মতম অমদা পাল্লম্বা নিংথৌসিংনা শামু ফাবা, তানবা চৎলল্লিবসি মরু ওইনা কৌব্রু চীং, জিরি উমং, ময়াং লম, ইরিল মরু, কাংপোকপী অমদি অৱা/কবোনচিংবা লমসিংদনি। মণিপুরগী লৈঙাক পথাপ্তা শামুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী হায়বসি 'শামু হঞ্জবা' হায়বা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা ফম অসিনা তাকই।

**5. Conclusion:**

অসুম্না ক্রোনিকল অসিদা নিংথৌ নিংথৌসিংগী হাকতক্তা করম করম্বা মফমদগী শামু ফারুবগে, পুসিল্লকখিবগে, কয়া য়াম্না ফারকপগে হায়বনচিংবগী মতাংদা মরিক চুম্না রেকোর্দ তৌরি। হৌজিক্কী মতমদদি লমলক্কী

শামু অমতা লৈত্রে হায়বা তাই। মসিগী মরমসু লৈরমগনি। উনচিংবা হোন্নবা, চিংননবা কনাগুম্বনা শামুসিং লোইনরম্বা, য়োক্লরম্বা য়াই অকক্লবা মসিংদা। Ministry of Environment, Forest & Climate Change, Government of India, না ফোংবা *Elephant Corridors of India 2023* হায়বসিদা মণিপুরদা শামু মাপন (৯) লৈ হায়না পল্লি।[৪] অদুবু পল্লিবা মসিং অসি কনাগুম্বা মীওইসিংনা থবক সুননবা য়ুমদা য়োকপা, লোইবা অদু ওইগনি হায়না থম্বা য়াই। মরাং কায়না লৈরম্বা লমলক্কী সা-উচেকসিংনা মাংসিল্লকপা, মাংখিবগী মরম অসি মপুং ওইনা মখোয়গী লৈফম লৈরক্তবা, মচিনজাক লৈরক্তবা, মচা ধারা সন্দোক্লবগী অচিকপা মফম লৈরক্তবা, মীওইবনা হাৎতোকপা, ফাদোকপা অসিনচিংবনা ওইবা য়াই। হকথেংনবা চৈথেংদি মীওইবনি হায়বসিমদি কক্লিংঙাই য়াওদনা চুল্লবা ৱাফম্নি। মরম অসিদগী লমলক্কী সা-উচেকসিং মুৎখিদনবা গভর্মেন্টনা অকনবা চেকসিন থৌরাংসিং লৌখৎতুনা এক্ট কয়া সেমলি। মফম কয়াবু সা-উচেকসিংগী লৈফম্নি হায়না লাওথোক্তুনা মীওইবনা চংবদা অথিংবা থল্লি। মালেমসি মীওইবগীখক্তা নৎতে অতৈ অতৈ জীব-পানবসিংগীসু সরুক য়াওরি হায়বদু থেংলবসু থেংনা খংনরক্তুনা মুৎখিদনবা হোৎনরি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মতম অমদা মণিপুরদা লমলক্কী শামু মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বসি ‘চৈথারোল কুম্বাব’দা রেকোর্দ তৌদুনা য়াওরিবা কয়া অসিনা লেংদ্রবা খুদম্নি।

**মতেং লৌখিবা লাইরিকসিং:**

১। ইবুংঙোহল সিংহ, লাইরেনময়ুম অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ, নিংথৌখোংজম (সম্পা.) *চৈথারোল কুম্বাবা,* অহুমশুবা খুৎনম, ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০০৫, ৱাহয় অমনিদং লা: iii

২। Manihar Singh, Ch. *A History of Manipuri Literature,* Delhi: Sahitya Akademi, 1996, p. 71

৩। নবচন্দ্র, পোলেম, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী শক্লোন,* ইম্ফাল: রাইটর্স ফোরম, ২০০৬, লা: ৯৮

৪। Ministry of Environment, Forest & Climate Change, Government of India, *Elephant Corridors of India 2023*. p. 2